# ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা
## ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবা

হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসিবু করিনো? 'ফীভম' হায়বসিদা করি-করি য়াওরবগে? ৱাহংসি চহী ২ হেন্না লান নংলক্লুবা ষ্টেটসিগী মীয়াম, মরু ওইনা মীতৈশিংদা হংফম থোকপা ৱাহং ওইরিব্রা? হংলুরগদি পাউখুমদি থোরক্কনি। পাউখুম লৈবদগী ৱাহং থোরকপনি। অদুবু হৌজিক মথৌ তারিবদি হংফম থোক্লবা ৱাহংশিংসি হংলকপা অমসুং খুম্ফম থোকপনি হায়বা পাউখুমশিং পীরক্তুনা অৱাই-অখুম তৌনবদু নত্তে। মণিপুরগী ফূরুপ পূন্নমক্কী হীরম খুদিংমক্তা 'শলাক শারে' হায়বা য়াদ্রিবরা হায়বনি। কোৎথোক্লুবদা য়াম্না য়াম্মি। ইশম শব্দা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লানসি মখা চত্থরক্লরোই, লোইশিল্লনি হায়বগী পূক্লিং লূম্বা ফীভম অমা ওইদ্রি। লান লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা হঞ্জিলহল্লক্লুবনি হায়দুনা ৱারী শানবা হৌহল্লে হায়, হৌসু হৌখি। অদুবু হোম মিনিষ্ট্রিগী নোর্থ-ইষ্টকী সিক্যুরিটি এদভাইজর এ কে মিশ্রানা লান লোইশিলহন্নবা লম্বী য়াৎলিনেনা পোইন্ট ৬ য়াওবা ৱারোল অমা পুথোরকখিবদুদা মীফমদুদা শরুক য়াখিবা কুকি-জোগী সী এস ওশিংগী মহুৎ শিল্লখিবা মীহুৎ ৭/৮দুনা খূৎয়েক পীয়ু হায়বা য়াখিব্রো? অশোয়বা-অরানবা অমসুং মায় পাকখিদবশিংদু খক কোথোক্লগা পনবা, ঙাঙবগী ৱাফম নত্তে। হোৎনবা হৌরক্লবনিনা মখা তানসু হোৎনরকখিবা ওইসনু। মীয়াম পূন্নমক্লা পাল্লিবা লান লোইশিন্দুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা হায়বদুসু ওইহল্লকপা ঙন্বা ওইরসনু। লানসিবু লোইশিন্দ্রিবা মখৈ নেশনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেশিংদা 'ফ্রী মুভমেন্ট' তৌবা য়ারোইদবগী ফীভমদা অহোংবা লৈরক্কদবা মান্দ্রি। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিং মশাগী ময়ূম ইঙ্খোলদা হঞ্জিনবা য়াখিরোই। শেন্মীৎলোন্দা চং ফংনা পুত্থরিবসি ফগৎলকখিরোই। খুন্নাইরোলদসু অদুম্মক নাকপাক তান্নখিগনি। চুম্নগী হীরম অমা-নিদা কাং-খোং চাইবা খক্তা নত্তনা পুমচাই চাইখিনি হায়বনি। হায়রিবা ৱাফমশিংসিদা লাল্লি, চুমদে অমসুং হেঞ্জিন্না হায়জিনবনি হায়বা ঙমগদবা য়াওরবদি ফোংনা থোরকউ, কদাইদনোমা মীয়াম খঙনা ৱাফংনদুনা ঙমথোক্লসি।

অদুবু পূন্নমক হিংজ্রোং-কাইজ্রোংনদুনা লৈরিঙৈগী ফীভমসিদা এম এল এ খরনা অনৌবা লৈঙাক শেমহন্দোইনেনা খোইরেন মসা পানখৎলক্তুনা খা-ৱাং চেনখৎলকপনি। পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা লৈরম্বদগী রিজাইন তৌহল্লগা 'প্রসিদেন্টস রুল' গী লৈঙাক চলাইরকখ্রিবসি মিনিষ্ট্রিদু লৈবদা-থম্বদা করিসু কান্নদ্রে হায়দুনা তোকহঞ্জবা ওইরমগনি। মসি নৎত্রবদি তোকহন্দনা অদুম্মক লৈহন্দুনা মখা শমথহল্লম্বসু য়াইনা!! পৎশিন-পুমশিল্লকপদগী কান্নররোই হায়দুনা তোকহল্লগা পি আরনা মহুৎ শিলহল্লকপনি। অনৌবা মখলগী লৈঙাক্লোনসিসু হৌজিক থা ৩ হেঞ্জিল্লক্লে। নোংমৈ-বোমগী মখোল তাহন্দবগা, খূৎশু-খূৎলায় খরা খোমগৎপগা, লালহৌবশিং ফাগৎপা নত্তনা লানগী ফীভমদদি মতু নাম্মা ফাওবা কেলহনবা ঙমদ্রে। মসিদদি লৈঙাক খূৎপায়নগদবা এম এল এ মশীংসু মরাং কায়না লৈরিবনা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেমহনবীয়ু হায়দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তকশিল্লকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। লৈঙাক হায়বসিদি লুচিংলিবা মীওই হায়বদি চীফ মিনিষ্টরদুগী মখা পোনগদবনি। ৱাফমসি মণিপুর খক্তগী নত্তে, লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং পূন্নমক্কীনি। ফৎত্রে হায়রিবা মীওইদুনা লুচিংলম্বা লৈঙাক্তু ৱাই শিংতোকপা অমসুং তৈথোকপদৌনা থুপচিনখ্রবা মতুংদা মহুৎ শিনবা ঙমগদবা, লাইরিক-লাইশুসু লম য়ৌনা হৈবা কোকথোং অমা য়াওরবসু মহুৎ শিন্দুনা অনৌবা লৈঙাক শেমহন্দনা পি আর ওইনা থল্লক্লিবসি মণিপুরগী লানগী থৌদোক-ৱাথোকশিংনা খ্বাং কোইরিবা অমসুং খোঙদাফম লৈত্রিবসি হান্না লোইশিন-খমজিন্দুনা শিৎ নালহনখিগে হায়বগী নৎত্রো? অদুবু পি আরগী লৈঙাকসিসু থা ৩ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা মচি লেংহনবা ঙমদ্রিঙৈদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীয়ু হায়দুনা তকশিন্নরকপনি। হায়ফম থোকই, হায়বা য়াই হায়দুনা হায়রকপনি। অদুবু রুল্লিং ওইমিন্নরম্বা এম এল এশিংগী মরক্তা নাকপাক তানরক্লিবসিদি লানসিদগীনি। মসি ওইরদি লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা খাইবোক তান্নরক্লিবসি অমত্তা ওইমিন্নবা ঙন্লক্কদৌরিব্রা? ঙন্লোই, শুকঙম ঙন্লোই। ঙমদবদুনবু লৈঙাক শেম্বীয়ু হায়জবদা ফাওবা এম এল এ ২১দগী হেন্না খূৎয়েক পীখিদ্রিবদুনি। ৱা লোইরে। হৌজিকসু পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইমিন্নবা ঙমজদ্রি। মসিনা মরম ওইরদুনা লুচিংগদবা মীওই য়েৎনদনা অমসুং লৈখাই তানা খন্দুনা পুথোকপসু ঙমদ্রি। অনৌবা লৈঙাক শেম্বা মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা পাম্লে হায়দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা খঙহল্লুবনি হায়বা নথৌনা নরিংজেলদুবুদি থাগৎলি। মীয়ামগী মীহুৎশিং ওইবগী তৌফম থোকপা নথৌনি। শেমহনবীয়ু হায়জরুবদুসু তরাম্না ওক্কনি। অদুবু শৌগৎপীনবনা শৌ শাদুনা নতুং কোই-ইন ইন্নরবা ফাওবদা লৈঙাক লুচিংগদবা নখোয়না মচোই মচোই তাহন্দবা ঙমদবসিদি লৈঙাক শেমহনবীরক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী চপ চাবা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবা ঙন্লক্কদ্রা হায়বনি। শাওরক্কদবা নত্তে, ওইরিবা ফীভমসিদগী হায়রকপনি। মীয়াম্না হায়রকফম লৈহল্লক্কনু হায়বনি। কান্নদে, খোইখা-লিনখাদি থারক্কে খনগনু। নখোয় পূন্নমক লানসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা ৱাংলেন মীকুপ অমত্তংগী মতমদা ওইরবসু পুকমেন পাউমেন্নবা ঙমজদ্রিবা টিমদুগী প্লেয়র ঙাক্তনি। নরমদম মণিপুরগী ফীভম্না ঙসিগী থাকসিদা য়ৌহল্লক্লেনা নখোয় পূন্নমক্লা ঙমদ্রবসু নখোয়গী নরক্তগী কনানা নখোঙ থিন্দুনা, নফি কন্দুনা করিবু হায়জবা ঙমজ খ্রগে। হোৎপুদি হোৎনৌ, অমুক হন্না মী ওইরকখিনেদি থাজবগী ৱাংমদা লৈরে। লাইমন কানা হিংলিবা মীয়ামদি 'ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা, ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবা' হায়দুনা লৈরিবনি কাউথোকহন্নীংদে হায়বনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৩৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

নুরা খোংলি থুপকি লাং। ৱাবা মালতীঙ লৌবা। শিলহৈ লাংনা। ৱাপা নিংথৌবা চেকলা চেঙচাববু হৈরৌনা লাংদা থুরে। লংমাই পুরাবনা। শামু খুৎতা শুপাই ফানা পায়। ৱাপা নিংথৌ চেঙজাবা ও। নহাককী তাঙচা নকোক নরুতোন। চেকলা শাকন নশাতোন। পোলবী নখুৎতোলদি। লংমাই পুরাবা ঐগী শরুক ওইগে। চেকলা নশা শাকল পুমনমকতি। নিংথৌ মমোম ইচেম পুরিবীদা। মাগী শরুক ওইনা পীরুগে ৱাহায়খিয়ে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯳꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯅꯨꯔꯥ ꯈꯣꯡꯂꯤ ꯊꯨꯞꯀꯤ ꯂꯥꯡ꯫ ꯋꯥꯕꯥ ꯃꯥꯂꯇꯤꯡ ꯂꯧꯕꯥ꯫ ꯁꯤꯜꯍꯩ ꯂꯥꯡꯅꯥ꯫ ꯋꯥꯄꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧꯕꯥ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯆꯦꯡꯆꯥꯕꯕꯨ ꯍꯩꯔꯧꯅꯥ ꯂꯥꯡꯗꯥ ꯊꯨꯔꯦ꯫ ꯂꯡꯃꯥꯏ ꯄꯨꯔꯥꯕꯅꯥ꯫ ꯁꯥꯃꯨ ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯁꯨꯄꯥꯏ ꯐꯥꯅꯥ ꯄꯥꯌ꯫ ꯋꯥꯄꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯦꯡꯖꯥꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯅꯍꯥꯛꯀꯤ ꯇꯥꯡꯆꯥ ꯅꯀꯣꯛ ꯅꯔꯨꯇꯣꯟ꯫ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯁꯥꯀꯟ ꯅꯁꯥꯇꯣꯟ꯫ ꯄꯣꯂꯕꯤ ꯅꯈꯨꯠꯇꯣꯜꯗꯤ꯫ ꯂꯡꯃꯥꯏ ꯄꯨꯔꯥꯕꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯑꯣꯏꯒꯦ꯫ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯅꯁꯥ ꯁꯥꯀꯜ ꯄꯨꯃꯅꯃꯛꯇꯤ꯫ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯃꯣꯝ ꯏꯆꯦꯝ ꯄꯨꯔꯤꯕꯤꯗꯥ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯤꯔꯨꯒꯦ ꯋꯥꯍꯥꯏꯈꯤꯌꯦ꯫ ●

# লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q1.** চুজাক ফজনা পাল্লে। অদুবু নুমিৎ কয়ানিশুবদা হেক্কনি, 'হেকপা য়ারে' হায়বদু করম্না খঙগনি?

*- সদানন্দ শৌগাইজম*

☞ চুজাক মখল খেন্নবগী মতুংইন্না হেকপগী মতম খেন্নৈ। ময়াম্না পাম্না থানরক্লিবা Sweet Corn গী ওইনদি থোৎলিঙৈদা হেক্কদবনিনা চুজাক্কী মশম (Silk) হেক উবা নুমিৎতুদগী নুমিৎ ১৮-২২ মুক শুবা নুমিৎতা হেকপা য়ারে। হেন্না লিশিনখ্রবদি থুম্বগী চাং হন্থরকই। চুজাক্তা য়াওরিবা সুগরশিংদু চনাংদা ওন্থোরকই। অদুবু হায়রিবা মতমসি মফমদুগী অঙ্গৈং-অশা অমসুং থারিবা Sweet corn variety দুগী মখা পোল্লি।

পাল্লিবা চুজাক্তুগী মশক য়েংলগসু হেকপা য়াই। চুজাক মশমশিংদুগী মচু মুশিল্লকপা, পায়বদা খাল্লবা/তেক্কল্লবা মতমদা হেক্কনি। অদুবু চুজাক্তুবু য়োমশিল্লিবা মপান থংবা মনানা (Branch) শংনা লৈরিঙৈদা হেক্কনি। মনাশিংদু নাপু মচু চংবা হৌরকখ্রবদি থুন্বা হন্থরনি; শায়বদা খরা কল্লনি।

তকখায়রগা শীজিন্নগদবা অতৈ চুজাক মখলশিংদি (General corn) মপাল লাক্লবা মতুং নুমিৎ ৭০-৭৫নিদা হেকপা য়াই। হেন্না কংনা লোক্লবগীদক্লা নুমিৎ ৯০ ফাওবদা ঙাইথবা য়াই।

**Q2.** খামেন মতোন কোন্থরগা কংশিল্লকই, থৎলগা খায়দোক্তুনা য়েংবদা মনুংদা হন য়াওই। পান্বী খরা অমদনা মখোঙদা কোকফাই অঙৌবা কারম্লবা মতুংদা পান্বীশিংদু খুইথরক্লগা কংদুনা শি। পানবা হৌরক্লবা মতমসিদা লায়না-তীলনাশিং অসিনা য়াম্না নুঙাইহন্দ্রে। করি হীদাক শীজিন্নগনি।

*- টি কেনেদি মৈতৈ, কৈবী কুমুদা*

☞ খামেন মতোনশিংগী মনুংদা চংলিবা তীলশিং হাৎনবগীদমক JU Decigen (Chlorantraniliprde 18.5%) মিলিলিটর মঙা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা খামেন পান্বীশিংগী মতোন-মতোন্দু পান্নবা কাপথোক্কনি।

খামেন মখোঙদা লৈরিবা কোকফাইশিংদু হাৎনবা Lahar (Captan 70% + Hexaconazole 5%) গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বীশিংগী মখোঙ চোৎনবা কাপথোক্কনি। নাদবা পান্বীশিং য়াওনা কাপথোক্কনি।

খামেনদা তারিবা তীল লায়নাগীদমক হীদাক কাপ্পা হায়বসি হীদাক অমত্তা কুইনা পান্বীদা লৈথদে; Waiting period শিং য়াম্না তেল্লি। মতোন খুইথবী থোকহল্লিবা তীলশিংগীদমক কাপ্লিবা হীদাক্লা নুমিৎ হুম্নি-মরিনিদগী হেন্না পান্বীদা লৈরোই। মরম অসিনা হনশিং হাৎলিঙৈদা পাইরিবা মপী (লাবা) শিংবু ফাদোক্লবা লাং শীজিন্নগনি। শঙম অমা চাউবা মফমদা মনম থোকহনবা ঙন্বা (Lure) মশীং নিপাল হাপ্তুনা লাবশিংবু ফাদোক্কনি। মনম পুথোক্লিবা Lure থা অনী চৎলি।

**Q3.** থবী মনাশিং লাংবদা নত্তনা পাওদর মানবা মফোল অঙৌবা কাবসু য়াওরে। হৌজিক হৌজিক হেক্লিবনিনা হকচাং শোক্লোইদবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা পামজে।

*- লাইফাংবম য়াইমা, উয়ুম্পোক (টাইগর কেম্প)*

☞ থবী মনাদা তাবা পাওদরি মিলদিয়ু (কোকফাই অঙৌবা কাবা) অমসুং দাউনি মিলদিয়ু (মনাগী মচি মচিদা নাপু মচু কারগা লাংবা) অনীমক ফনবা Subwell (*Bacillus subtiles*) মিলিলিটর ১০০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা থবী মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। থবীদা নত্তনা খোংদ্রুম, মাইরেল, কারোৎ, শেবোৎ, ঈরুহৈনচিংবা পান্বী খুদিংদা শীজিন্নবা য়াই। অদুবু লায়নাসিগীদমক (Powdery mildew) Sulpher শীজিন্নবদি পান্বীদা অকায়বা লৈ। Sulpher Shy হায়না খঙনৈ।

Subwell না কোকফাই লায়নাশিংদু ফহনবতা নত্তনা পান্বীশিংগী শাহৌসু ফহল্লি। Growth promoter সু কাপ্লরোই।

**Q4.** চুজাক হেকপা য়ারক্লবা মতমসিদা Army worm হায়রিবা তীল অসিনা মতোনগী শরুক্তা চংলগা চাবা য়াওরম্লে। মসি হাৎনবা, মখা তানা শন্দোরক্তনবা, হকচাং শোক্লোইদবা হীদাক অমত্তং খঙজনীংই।



*- সী ঐচ অম্বজিৎ*

☞ চুজাক পান্বীগী অয়াম্বা শরুক মরু ওইনা পাল্লিবা চুজাক অমসুং চুজাক্তুমক্কী অকোয়বা শরুক পূন্নমক চোৎনবা Metawell (*Metarhizium anisoplea*) মিলিলিটর ১০০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। তীলশিংবু লায়না থোকহনবা ঙন্বা কোকফাইনি। মীওইবদা শোক্তে। চুজাকশিংদু হেক্লিংবা মতমদা হেকপা য়াই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# লৈবাক লৈহাও মাঙখিবদগী কল্লসি লোয়ননা মসিবু হেনগৎহন্নবা হোৎনরসি



- ডা. এস সুমঙ্গল -

লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি লৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা, অদুবু অৱাবা অমদি ওইবা থৌরমনি হায়বা তাই। অদুবু লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমদি ওই। লৈবাক লৈহাও য়াওদবা মফমদা থাবা পান্বী মশা মউ ফনা হৌবা ঙমদে। লোয়ননা মদুবু চাবা মতমদসু হকচাং ফবা হায়বদু ওইরোইদৌরিবনি। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা হায়বসি এঞ্জাং নাপি থাদুনা অমদি লৌউ-শিংউ তৌদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরিবা মীওইশিংগীসু, মদুবু চারিবা মীওইশিং খুদিংমক্কীসু য়াম্নমক মরু ওইবা থৌরম অমনি হায়জনীংই। শম্না হায়রবদা লৈবাক লৈহাও লৈরমদ্রবদি অশংবা মালেম অসি লৈরম্লোই। মসিদা ইচম চম্না হান্নদগী অদুম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা থৌওংশিংদা খরা হেন্না খঙনা পাঙথোকহন্নীংবগী থমজবনি, অদুবু য়াম্না হেন্না মরু ওইরিবা ৱাফমদি মালেমসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা, হোংলক্লিবা অঙ্গৈং-অশাগী, অকোয়বগী ফীভমগী হোংলক্লিবা ঈশিং-নুংশিৎকী কিনীংঙাই ওইরবা ফীভমশিং অসিদা লৈবাক লৈহাও মাঙদনবা হোৎনবা হায়বসি খরগা হেন্না মরু ওইরক্লি। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাওবু মাঙহন্দনা লৈবাক লৈশাবু মশা ফনা থম্ননবা অরায়বা থৌরম খরা খঙজিনমিন্নসি।

**১) লৌফম্বু মশক খঙনা শীজিন্নবা :-** লৈরিবা লৈবাক নৎত্রগা লৌফম অদুগা চানবা মখলগী পান্বী থাবা হায়বসিমক তঙাইফদনা তৌবীবা তাই। লৈতান লম কদক-কদক লাওবা মফমদা পান, আলু থাবা চানদে। লাইবক ফবনা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি অয়াম্বা মফমশিংদা অয়াম্বা পান্বী অদুমক চানবা লমদম ওইনা তৌই। তঙাইফদনা ইশাগী থেংনজবা খরদগী চানবা পান্বী খঙদোকপা হায়বসিমদি খরা হোৎনবা চঙই। পান্বীশিংগী হৈনজবা অশিন অয়াক্কী চাং লৈবাক অদু অকনবা লৈতান লম, লৈঙোইনা নম্বা লম নৎত্রগা ফোলি তাবা ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা লম ওইব্রা হায়বদুদি ইশানা খঙজবা ঙন্বা পোৎশক অমনি। লৈনুংদা তাবা আলু, পান, লৈবাক হৱাই, শিং, য়াইঙংনচিংবা পান্বীশিংদি কৈদৌনুংদা অকনবা লৈতান লমদা থাবদা মায় পাক্লোই হায়বসিদি খঙনরবা ৱাফমনি, শেলসু হেন্না চঙগনি। হায়রিবসিগী ওন্ন-তৈননা তৌরুরবদি কান্নবসু ফংলোই, লৈবাক লৈহাও মাঙননবসু ওই।

**২) লৈবাক নিংথিনা খোইবা :-** লৈবাক খোইবগী কান্নবা কয়া অমা লৈখ্রে অদুবু মতমগী মতুংইন্না লৈবাক খোইবগী অমদি খোইবগী মতম অমদি খোইবগী মওং শোয়রবদি মাঙজবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। নেচরেল ফার্মিং হায়বা অমা থোরক্লিবা অসিদদি লৈবাক খোইবা হায়বসি চৎনদে। মসিনা অমা ওইখ্রগা মফম অদুবু নিংথিনা খোইদুনা শেম শাবা হায়বসি পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্নবা থৌরম অমনি। মসিনা হৌরম্বা নাপী-শিংনাশিংগা লোয়ননা হান্না থারম্বা পান্বীগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক লৈশাদা খোইজিন্দুনা লৈবাক্তা তিলহল্লি। মসিনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনবদা, পান্বীশিং অদুনা চুপথোকখ্রবা লৈহাও হঞ্জিনহন্দুনা লৈহাও কাহনবদা মতেং পাংই। লৈবাক খোইবা শোয়বদগী লৈহাও মাঙবসু থোকপা য়াই। মতম চানা খোইবা, মরম চাবা খূৎলায় শীজিন্নদুনা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নগনি।

**৩) অওন পোত্থা (ক্রোপ রোটেসন) :-** পান্বী মখল অমখক্তং হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌফম অমত্তংদা থাবনা পান্বীদুনা পামজবা মচলশিং লৌফমদুদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌথোকখিবনা মচলদু মাঙখিবা তাবনি। লোয়ননা লৈহাও হন্থরকপা তাবনি। মরম অসিনা মান্নদবা পান্বীশিং ওন-ওন্দুনা থাবা ফৈ। মসিনা লায়না তীলনা কয়া লৌফমদুদা তাশিনবদগীসু কনবা ঙমগনি। অওন পোত্থা তৌবসু খঙনা হৈনা কাঙলোন চুম্না তৌবা ফৈ, মসিগী তোঙানবা পাড়া অমা মতুংদা থমজগে।

**৪) নাপি পেংথোকপা :-** মতম চানা নাপী পেংথোক্তবনা পান্বীগী মচীঞ্জাক অয়াম্বা চাথোকখিদুনা চাথোক শাথীনা হন্থবা মশানা তাবনি। নাপীগা থারিবা পান্বীগা কম্পিটিসন তৌবদা নাপীনা অদুমক ঙমদুনা লৈগনি। হৌরিবা নাপী মতম চানা পেংথোক্তুনা হার ওন্থোকসি, পান্বী ফহনসি, লৈবাক লৈহাওসু কনসি।

**৫) লৈবাক্কী/লৌফমগী ঈনিল চাং চানা থম্বা :-** লৈবাক্তা ইনিল হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপা মতমদা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। ঈশিং হেনবা মতমদা লৈহাও পীরিবা মচল ঈশিংনা চেন্থদুনা নৎত্রগা চুমথদুনা মাঙই। চাং চানা থম্বনা লৈহাও মাঙদবা হেল্লি। লৈবাক লৈহাও কনবদা মতেং পাংই। অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা তুঙহন্দবা হায়বসিসু য়াম্নমক মরু ওই।

**৬) লৈবাক লৈহাও চেন্থবদগী (সোইল ইরোজন) কনবা :-** পান্বীগী য়াম্না মরু ওইরিবা মচীঞ্জাক মচল নাইট্রোজেন অসি লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক্তা অয়াম্বা লৈবা মরম্না লৈবাক চেন্থখিবা মতমদা অয়াম্বা মাঙই। লৈবাক লৈহাও চেন্থদনবা মখল কয়াগী পান্থৈ শীজিন্নবা তঙাইফদে। মতম চূপ্পদা খোইদোক্লবা লৈমাই কুপশিন্দুনা থম্নবা পান্থৈ শীজিন্নবা তাই।

**৭) গ্রীন মেন্যুরিং :-** থরাক পানবা হৱাই মখলশিং খুদম ওইনা চুচুলাংমৈ, উ হৱাই মতোন, হৱাই অশাংবী, অতোপ্পা পান্বী ওট পান্বী, চনাল, চদেনচিংবা পান্বীশিং থাদুনা খরা নৌরিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী অশংবা মনা-মশিং, অনৌবা উশা-ৱাশা খোম্লুরগা অশংবা ওইনা লৈবাক্তা খোইজিনবগী থৌওং অসি গ্রীন মেন্যুরিং হায়নরিবদুনি। মসিনা লৈবাক লৈহাও কাহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহল্লি। থরাক পানবা হৱাই মখলশিংগা হিংকুপ (রাইজোবিয়ম) খরগা হিংমিন্নদুনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা লৈবাক্তা হাপচিনবা ঙন্বা পান্বীশিং অসি য়াম্নমক মরু ওই। অসুম্না লৈহাও কারবা অমদি লৈশা ফগৎলবা লৌফমদা থাবা পান্বীশিং চাথোক নিংথিনা পীবা ঙম্মী, শেন্দোং লৈহল্লি, তুং কোয়না লৌফম অদু লৌ উবা য়াহল্লি।

**৮) লৈমাই কুপশিনবা ঙন্বা পান্বী (কোভর ক্রোপ) থাবা :-** লৌবুক লমহাং ওইনা পোৎচৈ থাদনা লৈবা মফমশিংদা কোভর ক্রোপ থাদুনা ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও চেন্থোক্তুনা মাঙহনবদগী কনবা ঙমহল্লি। থাবা য়াবা পান্বীশিংগী মনুংদা মঙ্গ্রা, পোং হৱাই, হৱাই অশাংবী পনবা য়াই।

**৯) মহৌশাগী ওইবা হার (ওর্গানিক মেন্যুর) শীজিন্নবা :-** পান্বীগী উনা ৱানা অমদি শা-ঙাশিংগী পত্থ-পুমথরবা, নিংথিনা পত্থ-পুমথরবা মখলগী মহৌশাগী ওইবা হারশিং ষন্থি-ষণয়ুংগী হার, য়েন্থিগী হার, থাওথি অসিনচিংবশিং অসি অফবা মখলগী লৈবাক লৈহাও কাহনবা, লৈশাগী ফীভম ফগৎহনবা, কান্নরবা হিংকুপশিং মরাং কায়হনবা ঙন্বা হার মখলশিংনি। মখোয় শীজিন্নবনা তুং কোয়বা লৌউ শিংউ ওইহনবদসু চাউরবা থৌদাং লৌরিবনি।

**১০) থারিবা পান্বীগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক্তা হঞ্জিনবীবা :-** মচীঞ্জাক য়াম্না চাবা পান্বীশিংনা লৈবাক্তগী মচীঞ্জাক য়াম্না চাথোকই অদুবু ঐখোয়না লোক্লিবদি মহয় খরদুদনি। পান্বীগী অতৈ মসা-মরেং, মনা, মখোক, মরানচিংবদা মচীঞ্জাক কয়া অমা য়াওহৌরিবনি। মহয় লোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা শরুকশিং খুদম ওইনা আলুগী, চুজাক্কী মনা অমদি মখোক, মাইরেনগী মরী, ফৌগী চন্দ্ৰ, হৱাইশিংগী মরী মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবগী মহুত্তা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা হঞ্জিনবীগনি। মসিনা লৈবাক লৈহাও কাহনবতা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহন্দুনা অফবা পান্বী ওইহন্দুনা চাথোকসু হেলহনগনি।

**১১) খুৎশেমগী হার (কেমিকেল ফর্টিলাইজর) :-** ওর্গানিক মেন্যুরদদি পান্বীগী মচীঞ্জাক মচল য়াম্না য়াওদবা মরম্না খুৎশেমগী হার খরা শীজিন্নদুনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা অসিসু তঙাই ফদে। চাং চানা, মতম চানা কাংলোন চুম্না হাপ্পিগনি। লোকখ্রবা পান্বীনা চুপখৎখ্রবা হারশিং মখোয়বু লৌফমদা খোইজিনবিদুনা লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবিবসু তঙাই ফদে।

**১২) অশীন-অয়াক্কী চাং চানা থম্বা :-** কা হেন্না শিনবা নৎত্রগা কা হেন্না য়াকপা লৌফমদা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। মরমদি অশিনবা লৈবাক্তা আইরন, মেঙ্গানিজ, এলুমিনিয়ম পান্বীনা ফংবা ঙমদে। মতম-মতমগী ওইনা অশিনবা চেক তৌথোকপীদুনা চুমথোক্লবা শুনু চাইদুনা অমদি অচুম্বা হার মখল চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক শীন্দনবা হোৎনবা চঙই।

মথক্তা থমজরিবা থৌরমশিং অসি চানবা মফম অমদি মতম য়েংদুনা হোৎনরবদি লৈবাক লৈহাও মাঙথরকপদগী কন্দুনা তুং কোয়না লৌফম অদু লৌউ-শিংউ তৌবা য়াগনি, লৈবাক য়াইফগনি। ●